# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Thursday, April 15, 2021, Imphal　　Page 11




আই সী সীনা ঙসি থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা শান্নরোয়শিং মকোক-মথং তাবগী পরিংদা হান্না ব্রান দে ইন্টরনেসনলগী নম্বর ব্রান ওইরম্বা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিবু ইন্থরগা নৌনা নম্বর ব্রান ওইবা ঙমখ্রবা পাকিস্তানগী বাবর অজম

বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টর ওফ এক্সলেন্সতা এলিট এথলিটশিংগী মনুং চন্না ট্রেনিং চত্থরিবা এসিয়ন গেমসকী মিটর ১,৫০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অদুগা কোভিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরবা জিন্সন জোন্সন



## ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোবিচ অমসুং স্পেনগী রফেল নদাল অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



মোন্টিকার্লো, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

মালেমগী ওইনা ক্লে কোর্ট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মথংদা মরুওইবশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌরিবা মোন্টি কার্লো টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং স্পেনগী ক্লে কোর্টতা লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা রফেল নদাল অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

শান্নরোয় অনীমক টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংখি। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নোভাক জোকোবিচনা ইটালিগী জে সিন্নরগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদা কা-হেন্না খূদুম চনবা ঙম্নখিদে। অদুবু গেম ৪/৪ থোইনরবা মতুং নোভাক জোকোবিচনা সিন্নরগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা মশাগী সর্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা সিন্নরগী অশোনবশিং অদুদা জোকোবিচনা খূদুম চনশিন্দুনা সর্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬-২দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী ঐচ হুর্কাজপু ৬-৪, ৬-১দা থোইরম্বা গ্রেট বৃটেনগী দেনিএল ইভান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

রফেল নদালনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ অদুদা অর্জেন্টিনাগী ক্বালিফায়র এফ দেলবোনিসকা শান্নখি। অহানবা সেট অদু নদালনা হীরম খূদিংমক্তা ফজবা হেনখি। দেলবোনিসকী সর্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌরগা সেট অদু ইকোম কোম্না ৬-১দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট অদুসু দেলবোনিসকী মায়কৈদগী কা-হেন্না ফগৎলকপা ঙমখিদে। সর্ভিস গেম ২ খক মায় পাক্লগা অতোপ্পা সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা রফেল নদালনা অনীশুবা সেট অদুসু ৬-২দা থোইরগা ৩শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী জেরিমি চার্দিবু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৪দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোবকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী এস কারুসোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী টি পোলবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্বা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোয় স্পেনগী বোটিষ্টা অগুটকা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ পোপেরিনবু ৭-৫, ২-৬, ৬-৩দা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ ইটালিগী এম বেরেটিনিবু ৭-৫, ৬-৩দা থোইরম্বা স্পেনগী দাবিদোবিচ ফোকিনাগা শান্নরগনি।

## জপানগী হেল্থ প্লানশিংনা ওলিম্পিক গেমসকী মতাংদা অহোংবা কয়া লাক্লগনি : আই ও সী চীফ কোওর্দিনেটর



মেলবোর্ন, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা নুমীৎ ১০০নিদা ঙাইশিল্লক্লবা মতম অসিদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না গেমস অসি য়ৈথোকপা নৎত্রগা তোকপগী অপাম্বা কয়া ফোঙদোক্লরিবা ৱাফম অসি লৈবাক অদুনা শিল্লিবা হেল্থ প্লানশিং অসিনা মীয়ামগী ৱাখল্লোনদা অহোংবা কয়া লাকহল্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোওর্দিনেটর ওইরিবা জোন কোটসনা ফোঙদোকখ্রে।

জপানদা নৎতনা অতোপ্পা লৈবাক কয়াদসু কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎপা লেপত্রি। অদুবু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগী জোন কোটসনা মহুৎ শিন্দুনা পীখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

জপানগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সী ক্যোদোনা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা পব্লিক পোল অমদা জপানগী মীওই চাদা ৭০দি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি তোকপা নৎত্রগা অমুক হন্না থেংথবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। অদুবু জপান লৈঙাক অমদি মালেমগী হেল্থ এক্সপর্টশিংগা লোয়ননা লৌখৎলক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসি লাকশিন্নবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসিনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অদু হোংলক্তুনা গেমস অসি পাঙথোকপদা চাওনা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা ফোঙদোরকখি।

মমাংদা পাঙথোক্লখিবা ওলিম্পিক গেমসকুম্না হন্দক্তি ভাবোক য়াওদনা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌগদৌরিবনি। মীরমদগী লাকপা ভাবোক অমত্তা লৈররোই। লোয়ননা শান্নরোয়শিংগা মমাংঙৈদা লোয়নরকখিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু লাকপা য়াররোই। শান্নরোয়শিং অদুনা টোকিও য়ৌরবা মতুংদা গেমস ভিলেজদগী হেন্দোক-হল্লোইদৌরি। মফম অদুদগীনা মখোয়না শরুক য়াগদৌরিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিং শরুক য়াবা চৎপদা অখন্নবা গাড়ীদা হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌগদৌরি। মদু নৎতনা অতোপ্পা মফম অমত্তদা চৎপা য়াহল্লোইদৌরি।

হায়রিবা খোঙথাংশিং অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা মাংজৌননা কুপ্না শেমদোক্লবা প্লান ঙাক্তনি। চীফ কোওর্দিনেটর ওইরিবা জোন কোটসতা হংখিবা ৱাহং অমদা জপানগী ওর্গনাইজরশিংনা গেমস অদু তোকপগী ৱাফম লৈব্রা হায়খিবদা, লৈতে জপানগী মায়কৈদগী মপূং ফাবা সপোর্ট ফংলি হায়খি।

লৈঙাক অদুনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী থাজবা অদু লৈরবা মতমদা মীয়াম্না ওলিম্পিক গেমস অসি সপোর্ট তৌরক্কনি হায়না পাউগী মীফম অদুনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা কুমজা ২০০০দা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অদুসু ঙল্লিঙৈদা অপনবা কয়া লাকখ্রবসু নুমীৎ ১০০নি নকশিল্লক্লবা মতমদা অহোংবা কয়া লাকখি।

## মনপ্রিট অমসুং রানি রামপালনা টোকিও ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী হোক্কী ফজগনি হায়খ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী অমসুং নুপীগী হোক্কী টিম অনীমক টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। টিমশিং অসিগী কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ অমসুং রানি রামপালনা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা মশান্না অসিগী ফীভমদগী হোংদ্রবদি চহী ৪০ হেন্না ওলিম্পিক্সতা মেদল ফংলক্ত্রবা মতুং হন্দক ফংবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ১৯৮০দা মোস্কো ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং মেদল ফংবা ঙমদনা লাকখি। পনবা য়াই, হন্দক্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা অর্জেন্টিনাবু মেটচ অনী থংন-থংননা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

নুপীগী টিমসু ওলিম্পিক গেমস অনীরক থংন-থংননা ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লিবনি। টিম অসিনা ৱর্ল্ড নম্বর টু অর্জেন্টিনা অমদি জর্মনিগা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগা শান্নখিবা মেটচশিংদা পীখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু হনবা লৈত্রবদি মেদল ফংবগী অচৌবা লম্বেল অমা শুংশোয় শোয়দনা চঙশিনবা ঙমগনি হায়খি।

## এন্টি করপসন কোদ থুগায়রুবগী হিথ ষ্ট্রিক চহী ৮ অথিংবা থমখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

মমাংদা জিম্বাব্ৱে ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন অমদি কোচসু ওইরিবা হিথ ষ্ট্রিকপু ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা কাউন্সিল অসিগী ওইবা এন্টি করপসন কোদ থুগায়রুবগীদমক্তা চহী ৮ অথিংবা থমখ্রে।

জিম্বাব্ৱেগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা হিথ ষ্ট্রিকনা কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৮দা কোচ ওইনা থৌ পুরিঙৈদা তোঙান-তোঙানবা মেটচ কয়াগী মতাংদা এন্টি করপসন বোর্দনা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি।

ষ্ট্রিকনা থিজিনবগী মতাং অদুদা মহাক মশামক এন্টি করপসন বোর্দনা থিজিনবগী থবক থৌরমশিংদা অয়াবা পীদুনা কোদ অদু থুগায়রগা থবক তৌরুই হায়-জখি। মদুনা মরম ওইরগা এন্টি করপসন ট্রাইব্যুনেলগী হিয়রিং লোইরবা মতুং মহাকপু চহী ৮ মশান্না অসিদগী অথিংবা থমখিবনি। মশান্না অসিগা অমুক হন্না মরী লৈননবগীদমক কুমজা ২০২৯গী মার্চ ২৮ ফাওবা ঙাইবা তারি।

আই সী সীগী ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটকী জেনরেল মেনেজর ওইরিবা এলেক্স মার্শেলনা ফোঙদোকখিবদা, হিথ ষ্ট্রিকনা থেংখাঙ কয়াদা এন্টি করপসন কোদকী মায়োক্তা থবক তৌবা য়াওখি। লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগী মতাংদসু মহাক্কী মায়কৈদগী অথিংবা অমদি থেংথহনবগী তাঙ্কক কয়াসু য়াওখি হায়রি।

## অজাদি কা অমরুট মহোটসভকা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা সাইকল রেল্লি শীনখ্রে



বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস):

অজাদি কা অমরুট মহোটসভ অমদি মোইরাংদা লৈবা আই এন এ ম্যুজিয়মদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখিবা চহী ৭৭ শুরকপগী কুমওন পাঙথোকপগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর সেক্টরগী লমজিং মখাদা অসাম রাইফলসকী লোক্তাক বট্টালিয়ননা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নহাশিংগী ওইবা সাইকল রেল্লি অমা শীনখ্রে।

সাইকল রেল্লি অদু নিংথৌখোং বজারদগী হৌরগা মোইরাংগী আই এন এ ম্যুজিয়মদা লোইশিনখি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা নহাশিংনা আই এন এ ম্যুজিয়মদা ফিরাল চিংখৎখিবা নুমীৎকী থৌরম অদুসু শরুক য়াখি। নহাশিং অদুদা মোইরাংদা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মিনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখিবগী মরিক চুম্বা ৱারী তমখি। লোয়ননা ইন্দিয়ানা চহী ৭৫ নিং-তম্লকপগী পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অমরুট মহোটসভ অদুগী মরুওইবশিং অদুসু খঙহনখি। শরুক য়াখিবা নহাশিং অমদি মফম অদুগী মীওই কয়ানা অসিগুম্বা থবক থৌরম অমা অসাম রাইফলসনা পায়খৎলকপা অসিদা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা তুংদসু অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থমখি।

## টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং য়াওবগী মশীং নৌনা রেকোর্দ থুগায়বা য়ানা লৈরি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী):

সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াবগী মশীং অসি হেনগৎলক্তুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা হান্না লৈখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়বা য়ানা লৈরি।


নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা এথলিট ১১৭ শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক্স পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী এথলিট ৮৫ রোম ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লি। মখা তানা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী শান্নরোয় কয়া অমসু লৈরি।

আর্চরিদা মীওই ৪ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। এথলেটিক্সতা মীওই ১০ ক্বালিফাই ওইখি। বোক্সিংদা হৌজিক ফাওবদা নুপী বোক্সর ৪ অমদি নুপা বোক্সর ৫ য়াওনা ৯ ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লি। ইক্বেষ্টেরিয়ন অমসুং ফেন্সিংদা এথলিট অমমম্ ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লি। নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিম অনীমক ক্বালিফাই ওইদুনা টিম অদুগী রিজর্ভ প্লেয়র য়াওরগা মীওই ৩০ রোম ক্বালিফাই ওইরিবনি।

সেলিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা নুপী সেলর নেথ্রা কুমানন ক্বালিফাই ওইখি। লোয়ননা হান্না ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ারুরবা নুপাগী সেলর ৩সু ক্বালিফাই ওইরি। শুটিংদা খ্বাইদগী য়াম্বা এথলিটশিংনা হৌজিক ফাওবদা ক্বালিফাই ওইদুনা ১৫ শুবা ঙল্লি। টেবল টেন্নিসতা নুপী শান্নরোয় ২ অমসুং নুপা শান্নরোয় ২ ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লি। লোয়ননা রেষ্টলিংদা হৌজিক ফাওবদা নুপা রেষ্টলর ৩ অমসুং নুপী রেষ্টলর ৩ ক্বালিফাই ওইদুনা মমাংদা ইন্দিয়ানা শরুক য়াখিবা ওলিম্পিক্সশিংদা রেষ্টলিং ইভেন্টকী ওইনা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী য়াম্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়ারিবা এথলিটশিং অসিগী মনুংদগী য়াম্না কন্না মেদল ফংগনি হায়না থাজনরিবা দিসিপ্লিনশিং অদুদি শুটিং, বোক্সিং, রেষ্টলিং অমসুং হোক্কী মশান্ননি। বেদমিন্টনদসু শান্নরোয় খরা মেদলগী লম্বী উরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 80**

**Anand, Viswanathan (2770) - Tiviakov,S (2599)**
**Corsica Masters Rapid Bastia FRA, 2001.10.30**

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.Nc3 g6 4.d4 cxd4 5.Nxd4 Bg7 6.Be3 Nf6 7.Bc4 O-O 8.Bb3 a5 9.O-O d6 10.Ndb5 Be6 11.h3 Nd7 12.Re1 Bxb3 13.axb3 Nc5 14.Qd2 b6 15.Bh6 Bxh6 16.Qxh6 Nb4 17.Re2 Qd7 18.Rd1 f6 19.f4 a4 20.e5 axb3 21.cxb3 fxe5 22.fxe5 Nbd3 23.exd6 exd6 24.b4 Nf4 25.Red2 Ne4 26.Nxe4 Qxb5 27.Rxd6 Qe2...

**QUESTION :**
**White wins in 6 moves**

**Puzzle 79 Ans. :**

**24.** ...Bf5 **25.** hxg6Bxc2+ **26.** Qxc2 Nxc2 **27.**Be6+ Kf8 **28.** Rh8#

**25.** hxg6 Bxh3 **26.** Rxh3 Bg5 **27.** Ne4 Bf4 **28.**Nbc5


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY


ADMISSION OPEN　CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE　Class 6 to 10　Starts on 19th February 2021



Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020



| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o. H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS　CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6894/3/4-31/5



MEGA MOCK TEST FOR X AND XII

THE 7TH PREMILINARY SAMPLE OF HSLC AND COHSEM EXAM 2021 – 22

CONDUCTED BY – HUMAN RESOURCE CENTRE

NO EXAM FEE　CASE PRIZE OF 3 LAKHS + SCHOLARSHIP OF ONE YEAR WITH MOMENTO AND CERTIFICATE TO ALL THE POSITION HOLDERS　NO EXAM FEE

LAST DATE OF FORM SUBMISSION – 24TH APRIL 2021.
- QUESTIONS WILL THE SAME PATTERN OF BOSEM & COHSEM EXAM.
- TO AIM IN SCORING HIGHEST MARK IN THE COMING BOSEM & COHSEM EXAM.

FIRST COME FIRST SERVE ONLY 500 STUDENTS EACH INTAKE UNDER SOP GUIDELINE

CLASS X

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | – 26/04/'21 |
| 2. SCIENCE | –28/04/'21 |
| 3. ENGLISH | –30/04/'21 |
| 4. SOCIAL Sc. | –02/05/'21 |

CLASS XII

| SUBJECT | EXAM DATE |
|---|---|
| 1. MATHS | – 25/04/'21 |
| 2. PHYSICS | – 27/04/'21 |
| 3. CHEMISTRY | –29/04/'21 |
| 4. BIOLOGY | –01/05/'21 |

FORM WILL BE AVAILABLE
@ ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
FOR QUERY : 9862992105

HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)